# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JANUARY 19, 2020 PAGE 7




*এ টি পি–দব্লিউ টি এ এদিলাইদি ইন্টর্নেস্নেল টাইটল লৌখ্রবী অষ্ট্রেলিয়ান টেন্নিস শান্নরোই এস্লি বারটি*

*ওরিন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা য়ু–১৬ বোইজ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা মেন ওফ দি মেটচ তাখিবা ৱাই য়ু সি সিগী অমরজিৎ*



# ষ্টেটহুদ ৱুমেন'স ইন্টরনেস্নেল পোলো টুর্নামেন্টদা অর্জেন্টিনা অমদি য়ু এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ (এস এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী টিম ৬ হায়বদি য়ু এস এ, গ্রেট বৃটেন, অজেন্টিনা, ইজিপ, ইন্দিয়া–এ ( আই পি এ) অমদি ইন্দিয়া–বি (মণিপুর)না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্নুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৫ শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱুমেন'স ইন্টরনেস্নেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০ গী ঙসি মেটচশিংদা অর্জেন্টিনা অমদি য়ু এস এ মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ইন্দিয়া–এ (আই পি এ) অমদি অর্জেন্টিনন্না শান্নখিবা মেটচতা অর্জেন্টিনন্না ইন্দিয়া–এ (আই পি এ)বু পাঞ্জল ১৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা অর্জেন্টিনগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ৪ চনখি। পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ কাটালিনা আয়রজানা মিনিট ০.২৩, ৩.৩৫, ৪.৩২ দা অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ৩ এসপিরনজা উরঙ্গানা মিনিট ১.০৯ দা চনখি।

অনীশুবা চক্করদনা পাঞ্জল ৩ চনখি। পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১ সিলিনা ফরনান্দেস ওকাম্পোনা মিনিট ০.৫২, ৩.১১ অদুগা ৬.০১ দা চনখি। অহুমশুবা চক্করদনা পাঞ্জল ২ চনখি। পাঞ্জলশিং অদু জস্মিন দুপোন্টনা মিনিট ৬.০২ অদুগা লারা হিগাইনা মিনিট ৭.০৫ দা চনখি।

অরোবা মরিশুবা চক্করদনা পাঞ্জল ৪ চনখি। পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১ সিলিনা ফরনান্দেস ওকাম্পোনা মিনিট ০.১৫, ৩.৫১, ৫.৫৬ অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা লারনা মিনিট ১.৪৭ দা চনখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এল তরুন অমদি এল অতাঙবনা অম্পিয়ার ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী য়ু এস এ অমদি ইজিপনা শান্নখিবদা য়ু এস না ইজিপবু পাঞ্জল ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়ু এস এগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ পামিলা ফ্রনগানা পাঞ্জল ৪ অদুগা জর্সি নম্বর ১ ব্রাইভগেট সিম্পসনন্না পাঞ্জল অমা অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল ৩ অদুনা অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ এলিসন পোরনা অদুগা কেরোলিন ষ্টিমমেলনা অনী চনখি। মায়থিরবা ইজিপকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ হানা বদরনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি রোসানা টুগ অদুগা এলিস ৱালসনা অম্পিয়ার ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং অর্জেন্টিনা অমদি গ্রেট বৃটেননা নুংথিল পুং ২ তাবদা অদুগা য়ু এস এ অমদি ইন্দিয়ান বি (মণিপুর)না নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নরগনি।

# শন্দ্রেল্লা হুয়াম অমদি নিরমলানা ৱেদলিফটিংদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ (এস এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০ দগী ২২ ফাওবা অসামগী গুৱাহাটিদা চথগদৌরিবা অহুমশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২০গী ঙসি মপলনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা ৱেদলিফটিং মশান্নদা গোল্ড মেদল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১ হাপচিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ১১, সিলভর ১০ অমদি ব্রোঞ্জ ১১ পুন্না মেদল ৩২ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱেদলিফটিং মশান্নগী নুপীমচা চহী ১৭ মখাগী কেজি ৫৯গী কাঙলুপ্তা শন্দ্রেল্লা হুয়ামনা স্নেজদা কেজি ৬৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮৫ পুন্না কেজি ১৫১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড, চহী ২১ মখাগী কে জি ৫৯ গী কাঙলুপ্তা সিঐচ নিরমালা দেবীনা স্নেজদা কে জি ৭৭ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ৯৭ পুন্না কে জি ১৭৪ থরঙ্গৎতুনা গোল্ড লৌখি।

ৱেদলিফটিংগী নুপীমচা চহী ১৭ মখাগী কে জি ৫৫ গী কাঙলূপ্তা কেঐচ প্রিয়ালকস্মীনা স্নেজদা কে জি ৬৯ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ৮৩ পুন্না কে জি ১৫২ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

## জিম্নাষ্টিক টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২৯ দগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবা আলহবাদগী নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৫ শুবা জুনিয়ার আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিং খনখ্রে।

খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগীদা কেঐচ আর্জুন, এ নেলবিন, সি ঐচ বিজেসনি। নুপীগীদা বিবিয়ানা, নিসা সো অমদি ঐচ জেসিকানি।

# ৱাই য়ু সি সি ক্লাকৈথেল অমদি পি টি আর সি পাৎশোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা টিম ১৪ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্নুনা শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই য়ু সি সি ক্লাকৈথেল অমদি পি টি আর সি পাৎশোই মায় পাকখ্রে।

ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরী স্কুল / ওরেন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দগী মরিশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা ৱাই য়ু সি সি ক্লাকৈথেলনা ৱাই দব্লিউ সি লংথাবালবু রন ৬৮ তা মায়থিব পীখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই য়ু সি সি ক্লাকৈথেলগী ৱিকেট ২ অমদি রন ১২ লৌখিবা এন অমরজিৎনা তাখি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দগী মঙাশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা পি টি আর সি পাৎশোইনা পি সি সি ময়াই কোইবীবু রন ৫৭ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা পি টি আর সি পাৎশোইগী নোট আওটতা রন ৩৩ অমদি ৱিকেট ২ লৌখিবা তমারলেননা তাখি।

হয়েং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দা ব্লু হোক খুরাই অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অদুগা মোদেল হায়র সেকেন্দরী / ওরেন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমদি ওস্কার পাওনা বাজারনা শান্নগনি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

---

N O T I C E
Imphal, the 17th January, 2020

No. HL-21/H&T/2017: In continuation of this notification of even number dated 20-11-2019, all member societies of the All Manipur Weavers Cooperative Society Association who have been sanctioned under HDC & QDU are hereby informed that baseline survey and diagnostic study of the respective block shall be conducted by the District Handlooms & Textiles, Manipur.

All the concerned are, therefore, informed to extend their cooperation to the District Handlooms & Textiles while conducting baseline Survey and Diagnostic Study which will be completed by 31-01-2020.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

SL/B(DIPR)/19


# সি সি মিটকী ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনন্না শীন্দুনা মমাঙ থা ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পুন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ গী ফাইনেল মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সি সঙাকফম অমদি এস এস য়ু শীংজমৈনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ৱার্ক্স, পৱার, আর দি এন্দ পি আর অমদি কম্মরস এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

# লালরিনুৱামা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন ( আই দি টি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন অসিগী টেন্নিস কম্পলেক্সতা পুন্না শান্নরোই ১৪০ না কাঙলূপ ১০দা শরুক য়াদুনা চথরিবা হৈস্নাম বসন্তকুমার সিংহ নীংশিং ট্রোফি আই দি টি এ ইনভাইটেসন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেন'সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা লালরিনুৱামনা মুনশিন লুইখ্রমবু ৬–০, ৬–০ দা, বালাসিরনা পদমেশ্বরবু ৭–৫, ৬–২ দা অদুগা অজাদখাননা দেবিদ চোংলৈবু ৬–০, ৬–০ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।


ফনম/ফংত সমহৈন সাথ্রেপত

M/S IMPHAL PRESS

*Screen Printing & Rubber Stamps Works*

*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
*Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI*

**Lengsinbirakshi**

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal.

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

M/S IMPHAL PRESS
*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
Phone No. 9774220295 / 9366285239

*SL/5683/6+15 days*



GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, THOUBAL

NOTICE FOR OBJECTION
Thoubal, the dated, 13th January, 2020

No. Prop/SR/TH/2019-20: It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the proposed "Grace Covenant Church" Thoubal Khunou on 13th January, 2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the Membership area of operation of Thoubal Khunou.

In the matter, Notice for objection is circulated/noticed for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting object if any in writing (Aadhar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed Centre at Thoubal Khunou within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed "Grace Covenant Church" Thoubal Khunou under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 MSR Rules, 2004.

Any objection, receiving byway of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- (T. Khongnem Singh)
Deputy Registrar of Societies,
Thoubal

SL/5739/19,20&21



**Notification**
Imphal, the 18th January, 2020

No.1/57/2019-DIR(MAHUD) : In continuation of this Office Notification of even number dated 30.01.2019, it is hereby notified for information to all applicants for direct recruitment to the posts of **Lower Division Clerk (LDC) and Driver (light)** in the Office of the Directorate of MAHUD, Manipur that the **Admit Card** for the selection test shall be issued on the dates as detailed below:

| Date | Time | Name of Post | Place |
|---|---|---|---|
| 27.01.2020 | 10.00 AM to 3.00 PM | LDC and Driver | Directorate of MAHUD |

2. The applicants are requested to submit photostate copies of testimonials as proof of their educational qualifications, age, caste and employment exchange sponsorship at the time of collecting the admit card without which no admit card shall be issued.

3. The venue, date and time of selection test shall be notified separately through newspapers.

4. A list of ineligible/rejected applicants, along with the reason for rejection, shall be displayed on the Notice Board on the above mentioned dates and place. The ineligible applicants may submit their claims/objections, if any, in writing to the Director MAHUD, Manipur till 3.00 PM of 27/01/2020, failing which no further claims/objections shall be entertained.

(Th. Harikumar Singh)
Director (MAHUD), Manipur.

SL/B/19&20


## ক্রোসৱার্দ ৪০৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | O | A | L | | S | A | T | A | N | | S | O | L | D |
| E | D | G | E | | A | T | A | L | E | | T | H | E | E |
| N | O | U | N | | P | A | S | T | A | | R | A | V | E |
| T | R | A | I | L | | | T | A | T | T | E | R | E | D |
| | | | E | A | S | T | E | R | | H | E | E | L | S |
| R | E | U | N | I | T | E | | | O | A | T | | | |
| U | P | S | T | R | E | A | M | | M | I | S | H | A | P |
| T | I | E | | | I | R | A | T | E | | | A | L | I |
| S | C | R | E | E | N | | R | E | L | A | T | I | O | N |
| | | | A | L | S | | | R | E | F | E | R | E | E |
| S | T | O | R | M | | S | U | N | T | A | N | | | |
| T | R | A | N | S | M | I | T | | | R | A | G | E | D |
| R | U | S | E | | A | N | T | E | S | | N | E | R | O |
| I | C | E | S | | S | C | E | N | E | | T | R | I | O |
| P | E | S | T | | T | E | R | S | E | | S | E | E | M |


MEIKLEY International School
ESTD. 2016

ADMISSIONS OPEN

HURRY UP



Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)

Classes Pre-Nursery to Class III

2020-2021

Class Starts from 23rd Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial : 8787880819 9774770388

meikleyinternationalschool@gmail.com

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

SL/5669/3+15 days



FOCUS
The Conceptual study Circle
Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days